গুনেশ্বরন মায় পাক্লবসু ইন্দিয়াগী টিম ফিনলেন্দগী মখূৎতা মায়থীহৌরে

এস্পো, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):

ফিনলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি এস্পোদা শান্নবা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ ৱানগী টাইদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরন মায় পাকপা ঙমখ্রবসু মেটচ ১-৩দা ইন্দিয়া মায়থীহৌখি।

ইরাই নুমীৎতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরন অমসুং রামকুমার রামানাথন মখোয়-মখোয়গী সিঙ্গলসকী মেটচশিং অদু মায়থীবা নংখ্রবা মতুং ঙরাং অথেংবদা দবলসকী মেটচ ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রোহন বোপানা অমসুং রামকুমার রামানাথননা প্যের ওইরগা ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন্ট অমদি হারি হেলিওভারাগী প্যেরগা লম্বা তৌনখি।

টাই অদুদা ইন্দিয়ানা দেভিস কপকী ওইনা মখা চথনবগীদমক্তা মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখিবনি। মেটচ ০-২দা শোথরগা লৈখিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোপানা অমদি রামানাথনগী প্যের অদুনা ফিনলেন্দগী কোর্ন্টিনেন্ট অমদি হেলিওভারাবু অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকখি।

অহানবা সেট অদু নাকল অনীমক্তগী হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা মখোয়-মখোয়গী সর্ভিস গেমশিং অদু মায় পাক্লরকপদগী গেম ৬-৬ য়ৌরক্তুনা টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা ফিনলেন্দগী হেনরি কোর্ন্টিনেন্ট অমদি হারি হেলিওভারাগী মায়কৈদগী সর্ভিস ফজবা হেল্লকপনা পোইন্ট ৭-২দা থোইরগা অহানবা সেট অদু মখোয়না মায় পাকখি। অনীশুবা সেট অদুসু অহানবগী লম্বা অদুগুম্না গেম ১২ শুজিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা অমুক্কা হন্না টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদসু অহানবা সেট কুম্না চপ মান্নবা মওংদা ফিনলেন্দগী প্যের অদুনা পোইন্ট ৭-২দা থোইরগা সেট অনীমক মায় পাকখিবদগী ইন্দিয়াগী ওইনা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ ৱান অদুদা মখা তানা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অদুমাঙখিবনি। মেটচ অদু পুং ১.৩৮ চুপ্পা লম্বা তৌনখি।

ঙসি শান্নখিবা রিভর্স সিঙ্গলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরননা ফিনলেন্দগী পেট্রিক নিক্লাস সালমিনেনবু স্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৫দা থোইখি। পেট্রিক নিক্লাস ফিনলেন্দগী ওইনা রিজর্ভ প্লেয়র ওইনা থমখিবনি। প্রজনিশ গুনেশ্বরননা রিভর্স সিঙ্গলসকী অহানবা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্লবসু অহৌবা মেটচ অনী মায়থীখিবা মরম্না মহাক্না থোইখিবা রিজল্ট অদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা কান্নবা ফংখিদে। টিম অসিনা মথং চহীগী মার্চথাদা অতোপ্পা ফর্ষ্ট রাউন্দদা মায়থীবা টিম অমগা প্লে ওফ শান্নগনি। মায় পাক্লবদি গ্রুপ ৱানদা অদুম্মক লৈগদৌরি।

টামিল নাদু লৈঙাক্লা ‘সিলম্বম’ মশান্নবু স্পোর্টস কোটাদা য়াওহনখ্রে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):

টামিল নাদু লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমদা স্টেট অদুগী ট্রেডিসনেল মার্সিএল আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা ‘সিলম্বম’বু স্টেট পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী মখাদা থবক চঙনবগী মতাং অমদি এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুটশিংদা মিং চনবগী মতাংদা চাদা ৩গী স্পোর্টস রিজর্ভেসন অদুগী মনুং চলহনখ্রে।

খোঙথাং অসিগী মতাংদা স্টেট অদুগী মিনিষ্টর ওফ স্টেট ফোর য়ুঠ ৱেলফেয়র এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ওইরিবা শিব ভি মেয়ানাথননা লাউথোকখিবনি। ঙসি মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা টামিল কম্যুনিটিনা হৌদোকচখিবা ইন্দিয়ন মার্সিএল আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা সিলম্বম অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মায়কৈদগী খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মনুং চল্লিবা ‘প্রমোসন ওফ ইনক্লুসিভনেস’কা মরী লৈননা রিকগ্নাইজ তৌখ্রবনি।

টামিল নাদু লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ১.৬ চঙগদবা সিলম্বম ট্রেনিং সেন্টর অমসু শেমগৎলগনি হায়না মিনিষ্টর মেয়ানাথনগী ৱারোল অদুদা য়াওরি। মহাক্না মখা তারদুনা স্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিনগী লুচিং মখাদা টামিল নাদু লৈঙাক্লা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদা সিলম্বম মশান্না অসিবু রিকগ্নিসন পীননবা কন্না তকশিন্দুনা লাক্লি। মসিদসু নৎতনা টামিল নাদু লৈঙাক্লা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা সিলম্বম মশান্না অসিবু ট্রাইবেল স্পোর্টস কয়া রিকগ্নাইজ তৌদুনা লৈরিবা অদুগী মনুং চন্ননবা তকশিনখি। লোয়ননা মশান্না অসিবু হেন্না চাউখৎনবগীদমক থবক থৌরমশিং পায়খৎসি হায়খি।

ষ্টেট অদুদা লৈরিবা নহা ওইরিবী নুপীমচাশিংনা সিলম্বম মশান্না অসিদা পাঙথোকপা তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা থৱায় য়াওনা মিংচৎ পুরকপা কয়া লৈরি। ষ্টেট লৈঙাক্লা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা চঙবা অমদি লৈঙাক্লা লৌবা থবক্তা স্পোর্টসকী ওইনা চাদা ৩ রিজর্ভ তৌদুনা থম্লিবা অসিগী মনুংদা সিলম্বম দিসিপ্লিন অসি য়াওরকপা অসিদা নুপীমচাশিং অসিদা য়াম্না চাওনা কান্নবা ফংলগনি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খেলো ইন্দিয়াগী খুৎথাংদা তোঙান-তোঙানবা ট্রেডিসনেল মশান্না কয়া অমা শকখঙদুনা মেদল স্পোর্টস অমা ওইনা শান্নহল্লি।

ইন্দিয়াগী দবলসকী প্যের অনী কজাখষ্টান ইন্টরনেসনলদা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

KAZAKHSTAN INTERNATIONAL OPEN
DIPLOMA

করাগন্দা, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): কজাখষ্টানগী সিটি করাগন্দাদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী মখাদা শীনখিবা কজাখষ্টান ইন্টরনেসনল ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী প্যের অনী সিধেশ পান্দে/মুদিট দানি অমসুং সুধান্সু গ্রোভর/ফিদেল স্নেহিট মখোয়-মখোয়গী সেমীফাইনেল মেটচশিং অদু মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী প্যের অনীমক ফজনা শান্নবা ঙম্লকখি। অদুবু সেমীফাইনেলগী থাক্তা মহারাষ্ট্রদগী হৌরকখিবা সিধেশ পান্দে অমসুং মুদিট দানি সাউদি অরাবিয়াগী প্যের অলি অলখাদ্রাৱি অমদি অব্দুল অজিজ বুসুলেবিগী মখূৎতা ষ্ট্রেট গেম অহুমদা মায়থীবা নংখি। অমরোমদা, ফিদেল স্নেহিট অমদি সুধান্সু গ্রোভর টুর্নামেন্ট অদুগী য়ূম্বু লৈবাক কজাখষ্টানগী প্যের অলান কুর্মানগালিয়েব অমদি কিরিল জেরাসিমেনকোগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরম্লদগী কজাখষ্টানগী প্যের অদুনা গেম ৩ মায় পাক্লগা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা গেম ২ খক থোইবা ঙমখিবদগী সেমীফাইনেল অদুদা মায়থীহৌবনি। ইন্দিয়াগী প্যের অনীমক সেমীফাইনেলদা মায়থীখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপতা দবলসকীসু শান্নরোয় অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী ফিদেল স্নেহিটনা সেমীফাইনেলদা বেলারুসকী শান্নরোয় পাবেল প্লাটোনোবপু গেম ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলে য়ৌবা ঙমখিবদগী ঙসি অথেংবদা গোল্ড মেদলগীদমক্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৪০৫দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৪৬তা লৈরিবা কজাখষ্টানগী কিরিল জেরাসিমেনকোগা লম্বা তৌনগনি। নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী কোসানি অমসুং প্রাপ্তি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

লিভরপুল মায় পাক্তুনা লীগকী পোইন্ট টেবল মাঙজিল থারি

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিভরপুলনা কৃষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফংবগা লোয়ননা লীগকী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারি।

লিভরপুল অমসুং কৃষ্টেল পেলেসকী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় হেনবা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু হাফ তাগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা সাদিও মানেনা মহাক্কী করিয়রগী ওইনা লিভরপুলগী পাঞ্জল ১০০রক শুবা অদু চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ ১-০দা লোইশিনখি। লিভরপুলনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ এনফিল্ডদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী মিনট ২৩ চঙশিল্লকপদা ভর্জিল ভান দিকনা পীরকপা বোলদা মহমদ সালানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী মখা তারকপা অদুদা কৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেটচ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা লিভরপুলগী নাবি কৈতানা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-০দা থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা অর্সনেলনা বর্নলেবু ১-০দা থোইখি। মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং সাউথমটন পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। এষ্টন ভিল্লানা এবর্টনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা লীদস য়ুনাইটেদ অমদি ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ ১-১দা দ্রো চৎখি।

বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোকমবু ৭-০দা য়াম্না কোম্না থোইখ্রে

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):

বুন্দেসলিগাগী মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোকমবু পাঞ্জল ৭-০দা য়াম্না কোম্না মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ লম্বা তৌনখিবা অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ক্লব অদুগী লিরোই সেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু লিরোই সেনগী সপ্লাই অমদা জোসুৱা কিমিসনা ২৭শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বেয়র্ন ম্যুনিককী থোমাস ম্যুলরনা পীরকপা বোল অমদা সর্জ নাব্রিনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা বেয়র্ন ম্যুনিককী বাসিলিওস লম্প্রোপোলোসনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৱোকমবু ৪-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৬ চঙশিল্লকপদা বেয়র্ন ম্যুনিককী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল ১গা চনশিনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৪ লৈরগা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জোসুৱা কিমিসনা টিমমেট লিওন গোরেস্কাগী বোলদা ৬শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা ইরিক মেক্সিমনা বেয়র্ন ম্যুনিককী ৭শুবা পাঞ্জল অদু ৭৯শুবা মিনটতা চনখি।

সেল্টা ভিগো কাদিজকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীহৌরে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):

স্পেনদা লৈবা অবানকা ভলাইদোজ ফুটবোল গ্রাউন্দদা সেল্টা ভিগোনা য়ূম্বু ওইরগা কাদিজকা শান্নখিবা লালিগাগী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ূম্বু ক্লব অদু কাদিজকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখি। পুংখায় অমা পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং ৩৮শুবা মিনটতা কাদিজকী মায়কৈদগী তোমাস এলার্কোননা পীরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমদা টিমমেট এন্থোনি লোজানোনা একাউন্ট হাংদোক্তুনা সেল্টা ভিগোবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা কাদিজকী মখা তারকপা এটেক অমদা এফোন্সো ইস্পিনোনা ৪৩শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা সেল্টা ভিগোবু কাদিজনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরক্তুনা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী সান্তি মিনানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ইক্বেলাইজর ফংননবা মখা তাবা এটেক চথনবা শেম শাখি। মেটচকী লেমহৌবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাদুনা ১-২দা মায়থীবা নংখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং এথলেটিক বিলবাও পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

ইন্টর মিলাননা বোলোগনাবু ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে

রোম, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী):

হৌখিবা সেরি এ সিজনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্টর মিলাননা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ অসিগী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোলোগনাবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্টর মিলানগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরম্বা বেলজিয়ম মচা রোমেলু লুকাকুনা ক্লব অসি থাদোক্লগা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা চেলসিদা শরুক য়াখ্রবসু ইন্টর মিলানগী টিম অসিদা পাঞ্জল চনবীনবা কয়া অমা থোরক্লি। শুপ্পগী ৬শুবা মিনটতা ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী দেঞ্জেল দমফ্রাইসনা পীবা বোল অমদা লোটারো মার্টিনেজনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী পুংখায় ফারকপদা ইন্টর মিলানগী অতোপ্পা এটেক অমদা মিলান স্ক্রিনিয়ারনা টিমমেট ফেদেরিকো দিমাকোগী বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং মিনট ৪ লৈরগা টিমমেট নিকোলো বরেলানা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। বোলোগনাগী মায়কৈদা অনীশুবা হাফকী হৌরকপদগী বোল অদু নৈদুনা লৈখি। ৫৪শুবা মিনটতা ইন্টর মিলানগী মার্টিয়াজ বেসিনোনা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু মহাক্কী টিমমেট ফেদেরিকো দিমাকোনা পীরকপা বোলদা চনবা ঙমখি। ইদিন জেকোনা ৬৩ অমসুং ৬৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিনখি। অদুগা বোলোগনাগী অর্থরনা ৮৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি।

এম ও এনা ওনলাইন এসে কম্পিটিসনগী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ)না শীন্দুনা হন্দক্তা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমসকী মোদর্ন ইরাদা দি পাষ্ট, প্রজেন্ট এন্দ ফ্যুচর প্রোস্পেক্ট ওফ ইন্দিয়ন স্পোর্টস পর্সন ইন দি ওলিম্পিক্স : কন্ট্রিব্যুসন ওফ মণিপুর স্পোর্টস পর্সন হায়বা টোপিকতা ওনলাইন এসে কম্পিটিসন পাঙথোকখিবা অদুগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা কেশ প্রাইজ, মমেন্টোশিং অমদি সর্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নদুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ওলিম্পিক ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অদুদা কেটগোরি অনী থোক্লা মীওই ৪২না শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম ও এগী প্রসিদেন্ট ডা. রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, এসোসিএসন অসিগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. জি ইবোপিশক অমদি এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটারি জেনরেল সুনিল এলাংবমনা দেজতা ফমদুনা শরুক য়াখি।

কেটগোরি এদা স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দরি লেভেলদা অপুনবা মার্ক ৫০০গী অথোই-অহেনদা কোমেট স্কুলগী ক্লাস ত্বেল্ভকী মহৈরোয় কে এস ঐচ গুনগুননা মকোক তাখি। জৱাহর নবোদায়া বিদ্যালয়াগী ক্লাস ত্বেল্ভ আর্টসকী এন কমলানা ২শুবা অদুগা রেগ্যুলর ইংলিশ হায় স্কুলগী ক্লাস নাইন তম্লিবী এন দেশদেমননা ৩শুবা তাখি। কেটগোরি বিগী ওইনা গ্রেজ্যুএট লেভেলগী কেটগোরিদা মার্ক ১০০০গী চাংদম্নবদা এম দি য়ুদা বি টেক তম্লিবী লিংপিনেং জেসিনা মকোক, জেনিমসকী এম বি বি এস সেকেন্দ ইয়র তম্লিবী গীতা এলাংবমনা ২শুবা অদুগা দোন বোস্কো কোলেজ মরামগী বি এস সী সিক্স সিমেষ্টর তম্লিবা এঞ্জি জিংসোনা ৩শুবা তাখি।

লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংগী ইন্সেন্টিভ এৱার্দশিং মতম চানা পীথোকপীয়ু : এম এল এ মেঘচন্দ্র

য়াইরিপোক, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):

মণিপুর স্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগী চহীগী পীথোকফম থোকপা ইন্সেন্টিভ এৱার্দশিং লৈঙাক্লা মতম চানা পীথোক্তবনা শান্নরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংদা পূক্লিং, থৱায় নুংঙাইতবা ফাওহল্লে হায়না এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈঙাক্লা মতম চানা পীথোকপীয়ু হায়না পূক্লিং চিংশিনখ্রে।

মথং থাগী ২ অমসুং ৩দা ন্যু দেল্লীগী টালকাটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুগদবা য়াইরিপোক এরিয়াগী শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা অমদি য়াইফ থৌনী পীবগী থৌরম অমা ঙসি অয়ূক য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাইদা লৈবা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী লাইশঙগী মীপূন শঙদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা মখা তানা হায়খিবদা, লৈঙাকপু ওইরো অমবু ওইরো ঐখোয় খুদিংমক্না শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা মতমদা শান্নবা হৌগৎলকপা মতমদগী পাংবা য়াবা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংনদুনা পূক্লিং থৌগৎমিন্নসি।

করিগুম্বা শান্নরোয় অমনা মায় পাক্তুনা মেদল ফংলক্লবা, মিংচৎ পুরক্লবা খক্তদা শেল অমদি থবক হাপ্পুনা পূক্লিং থৌগৎপা খক্তনা লমদম অসিদগী অফবা শান্নরোয় মশীং য়াম্না পুথোকপা ঙম্লোই। অদুগা স্টেট, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরুবা শান্নরোয় কয়াগী স্টেট লৈঙাক্লা পীগদবা ইন্সেন্টিভ এৱার্দশিং চহী ৩ পীদনা নমশিল্লগা লৈবা অসিনা শান্নরোয়শিং অমদি মমা-মপাগী পূক্লিং নুংঙাইহন্দ্রে। অদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ইন্সেন্টিভ এৱার্দশিং অসি পীথোকপীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী শান্নরোয় অয়াম্বা লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা ওইবনা চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াবা চৎপদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে।

মণিপুরগী ওইনা নুপী শান্নরোয় ৭ য়াওনা শান্নরোয় ৪৫না শরুক য়াগদৌরি।

যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):

নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসনন্যু দেল্লীনা শীন্দুনা হাইব্রিদ নেসনল লেভেল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ অমা ওক্টোবরগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগা মরী লৈননা মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ওক্টোবর ১১দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। মসিদা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংলকপা শান্নরোয়শিংনা নেসনল চেম্পিয়নশিপকীদমক মণিপুরগী মহুৎ শিনগদৌরি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল লৌরবশিংনা খেলো ইন্দিয়া, ফেব্রুৱারী ২০২২গীদমক নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসনবু রিপ্রজেন্ট তৌগনি। পাঙথোক্কদবা ইভেন্টশিং অদুদি ট্রেদিসনেল যোগসনা, আর্টিষ্টিক যোগসনা (সিঙ্গল), আর্টিষ্টিক যোগসনা (প্যের), রিদমিক যোগসনা (প্যের) অমসুং আর্টিষ্টিক যোগসনা (গ্রুপ)নি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা লৈরিবা কেটগোরিশিং অদুদি সব-জুনিয়র (চহী ৯দগী ১৪), জুনিয়র (চহী ১৪দগী ১৮) অমসুং সিনিয়র (চহী ১৮ মথক)নি। সেপ্টেম্বর ২৪দগী ২৮ ফাওবা মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্কনি।

Office of the Pakhangba Micro Finance
Estd: 158/M/BML/30106-2016
Moirangkhom Ioklaobung. S.B Enterprises Building,
9774434043 / 8787806275
Timing : 9:30 am to 4 pm
Loan Available
Introducing:
- Service Loan
- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Daily (Small rate of interest)
- Electronics items

NB: More Services to be added on
Sd/- Manager
HL-B/6952/13,16,20,23,27,30

ইন্টরনেসনল ভেটরান ফুটবোল শান্নরোয়শিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়ন ট্রেক এন্দ টর্ফ ফেদরেসন মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী চিংঙারেলদা লৈবা পোলোই আর্টিফিসল ফুটবোল টর্ফতা ‘রেমিনেসন্স ওফ দি হিরোজ এন্দ গ্রান্দ রিসেপ্সন ওফ দি ৱিন্নর এন্দ রন্নর্স অপ টিম’ হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ১৩না কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৬তগীনা ৮ ফাওবা থাইলেন্দগী ফুকেটতা লৈবা বৃটিশ ইন্টরনেসনল স্কুল এন্দ হেদষ্টার্ট ইন্টরনেসনল স্কুলদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী মায় পুরকখিবশিংবু নীংশিংবা অমদি ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন ট্রেক এন্দ টর্ফ ফেদরেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা টিম মেনেজর কম প্লেয়র ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট কিরন য়েন্দ্রেম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা শান্নরোয় কয়ানা ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরবু মালেমগী থাক্তা শকতাকপগুম লমদম অসিদা ময়াম্না থোইনা উবীদনা লৈরিবা ভেটরান শান্নরোয় কয়ানসু ইরমদমগী শক তাকপা ঙম্লি হায়না হায়খিবগা লোয়ননা ভেটরান শান্নরোয়শিংগী ওইনা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

মখা তারকপদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা অয়ুশ, এম এস এম পি দি অমদি এম এ এমগী ওফিস কোওর্দিনেটর এস তোন্দাংনা লমদম অসিগী ভেটরান ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মিংচৎ পুরকপা ঙম্লিবনি। শান্ন-খোৎনবা অসি নীংথিনা য়োকখৎলবা মতমদা লমদম অসি লায়না-তিন্না চঙদবা লমদম অমসু শোয়দনা ওইবা ঙমগনি হায়খি।

অমরোমদা, গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এলিট টি ভিগী এদিটর জিট নিঙোম্বমনা লমদম অসিগী ভেটরান শান্নরোয়শিংনা মালেমগী থাক্তা মায় পাক্লা হল্লকখিবা হায়বসি ঐখোয় পুম্বনা পূক্লিং থৌগৎফম থোকই। লোয়ননা ৱারিবম হরিমিত্রনা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীবদা লমদম অসিগী ভেটরান শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপতা মায় পাকপা ঙম্লকখিবা অসিনা চাদা ৯০দি শান্নববু নুংশিজবা অমদি শাগোন্নদুনা লৈবা লমদম অমনি হায়বা মশক তাকই। প্রসিদেন্ট ওইখিবা বিরেন্দ্র কাংজমনা ভেটরান শান্নরোয়শিং অসিবু পূক্লিং থৌগৎফম থোকই। লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 234

Rodrigues, Luis Filipe - Maderegger, Stefanie
EU Union-ch U08 7th Mureck (3), 2009.08.07

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Nf6
4.d3 Bc5 5.c3 O-O 6.Bb3 d6
7.h3 a5 8.a4 Be6 9.Bc2 Ra6
10.O-O Ne8 11.Nbd2 Qf6 12.Re1 Qg6
13.Kf1 Nf6 14.Bb3 Ne7 15.Bc4 d5
16.Bxa6 bxa6 17.Nxe5 Nh5 18.Nxg6 fxg6
19.exd5...

QUESTION :

Black to Win

Puzzle 233 Ans. :

24. ...Rg8 25.Qxh7+ The white queen decoys Black's king.
Kxh7 26.Rh5+ Kg6 27.Nf4#
25.Qxh7+ Kxh7 26.Rh5+
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com